কোচিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা এমসু অৱাং সেকমাই ব্রাঞ্চনা চহীসিগী জুন ১৬ তগী ফ্রী কোচিং ক্লাস হৌরগনি হায়না এমসু, সেকমাই ব্রাঞ্চকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোক্সননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কোচিং ক্লাস অসিদা য়াওনিংবা মহৈরোয়শিংনা নিলাপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): মমাঙ ঙৈদগী লৈবাক নিংথৌ মশিল অমা ওইনা চথরকপা ইবুধৌ নোংশাবা অমদি ইবুধৌ পাখংবা চেঙ হোংবগী থৌরম থা অসিগী ১৮ দা উত্রা শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইশ্রম পোইরৈতোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থৌরম অসিদা মীয়াম্না মতম চানা লাক্তুনা ইবুধৌ অনীগী চেঙ হোংবগী থৌরমদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর দ্রাইভর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী ট্রেজররগী ফম পুরস্না কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দগী ৱাইরোকপম রোবিননা মনুং মতম চাদনা ঙরাং লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা ঙসি মীফম অমা ফমদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি এস নিংথেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনট অনী তুমীন্না লেপখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু এসোসিএসন্না শরুক য়ারি। ইকুই কুইদ্রিঙৈদা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম তোম্বসু লৈখিদবগী অৱাবা কোক্লিঙৈদা ৱাইরোকপম রোবিনসু লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা অনীগী থৱায় মিরেলনা শেম্বীবা মপুগী খুয়াখাদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক অমদি অফবা মপোক অমদা পোক্লুনবা এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা শেম্বীবা মপুদা থৌনিখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): ইন্টরনেসনল সোসাইটি ফোর কৃষ্ণ কন্সসনেস (ইস্কোন)গী ভক্তশিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী হৌরগা থা অসিগী ১৯ ফাওবা মখল কয়াগী থৌরমশিংগা লোয়ননা নরসিংহগী মপোক নুমীৎ থৌরম এয়রপোর্টতা লৈবা ইস্কোন কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না ইস্কোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ইস্কোনগী লাইফ মেম্বরশিং, সিম্পেথাইজরশিং, ভক্তশিং অমদি মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): লাইফ সেভরস মণিপুর, সেন্ট জোন ফাউন্দেসন, মোইরাং কম্পু, ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক, ইম্ফাল, শিজ একাদেমী ওফ নর্সিং, শিজ পেরামেদিকেল রিছার্স একাদেমী, লাঙ্গোল, ষ্টেট ব্লদ সেল-এন ঐচ এম মণিপুর অমদি শিজ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন সার্ভিসেসনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা মাদরস দেগা মরী লৈননা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি শিজ ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে।

লাইফ সেভরস মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঈ কৎপগী থৌরম অদুদা ভলন্টরি ব্লদ দোনর নুপা ২৮ অমসুং নুপী ২৪ পুন্না দোনর ৫২ না শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শিজ নর্সিং, পেরামেদিকেল মহৈরোয় অমদি কোলেজ কয়াদগী লাকপা মহৈরোয় কয়ানা ঈ কৎনরমখি। মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা ঈ কৎনখিবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

মেদিকেল কেম্প

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ১০ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী চসাদ বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা মাওকোট ভিলেজদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ময়াদা লৈবা মনুং হঞ্জিনবা খুল অদুদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্তুনা খুঞ্জাশিং লায়েংখি। মাওকোট অমদি অকোয়বদা লৈবা খুঞ্জা ৮০ রোম লায়েংখি হায়নসু মখা তারি।

উচিৱা হায় স্কুলগী অৱাৎপশিং থা অসিগী মনুংদা য়েংশিন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে : এমসু

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): উচিৱা হায় স্কুলগী অৱাৎপশিং থা অসিগী মনুংদা য়েংশিন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি লুনপাও লুফেংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এদ্যুকেসন সেক্তরবু মীপাল তাঙদবা অমদি খ্বাইদগী মাঙজিল থাবা সেক্তর ওইহল্লগা ইরমদম অসিদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্তুনা মীপুম খুদিংমক লাইরিক হৈহনসি হায়বগী পান্দমদা এমসুনা লিশাং-শিংনা চথরক্লিবা কেম্প্যেন ফোর টোটেল এদ্যুকেসনগা মরী লৈননা স্কুলশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ চৎপা লেপত্রি।

এমসু হেদ ক্বার্টরসকী ঐচ আর দি সেক্রেটরি ব্রুস পেবমনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা উচিৱা গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা য়েংশিনবা চৎখি। স্কুল অসি অৱাৎ-অপানা পীক থনবনা ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিং নীংবা কায়না লৈরি। কুমজা ২০১৯ গী সেসনদগী প্রাইমারী সেক্সন ক্লাস ৱান টু ফাইব হাপচিল্লগসু ক্লাস রুম লৈতবদগী মহৈরোয়শিংনা অৱাবা মায়োক্নরি। ক্লাস রুম অমদা উপুশিংনা পার্টিসন খাদুনা ক্লাস চথুরি। জন্যুৱারী থাদগী সেসন হৌখ্রবসু প্রাইমারী সেক্সনগী ওজা অমত্তা থারক্তবনা স্কুলনা মীওই অনী নেক্তুনা অঙাংশিং লাইরিক তাক্লি। মীওই অনী অদুগী থাগী তোলোপ ওজাশিংনা খায়জিন্নদুনা পীরি। ওজা মশিং ৱাৎতুনা লৈরিবা তাঙ্কক অসিদা জন্যুৱারী থাদা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টরনা ট্রান্সফর তৌদুনা স্কুল অসিদা পোষ্টিং পীরক্লবা ওজা অনী ঙসি ফাওবা স্কুলদা ক্লাস লৌদ্রি। স্কুল মেনেজমেন্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা চৎতুনা হায়রবা ফাওবা লাকপা লৈত্রি।

এস এস এ অমদি আর এম এস এগী মখাদা প্রাইমারী সেক্সনগী ওইনা পীথরক্লিবা স্কিমশিং অসি য়াম্না মওং-মরিল তাদনা মমিংখক্কী ওইনা লৈরি। স্কুল অসিগী ব্লেক বোর্দ ফাওবা মশিং শুনা লৈতবদগী ওজাশিংগী থারিবা টেবলদা বোর্দ ওইনা শীজিন্নরি। স্কুলগী টোইলেট অসিসু কুমজা কয়া শেমজিন্দবনা শীজিন্নবা য়াদবা টোইলেট ওইরে। মহৈরোয় নুপীমচাশিংগী তোঙানবা টোইলেট শাদবনা অহাংবা মফমদা টোইলেট ওইহনবসি পাল্লিবা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা এদ্যুকেসন সেক্তরগী ওফিসলশিংগী ওইনা ঈকায়নিংঙাইহনি। শেমজিনবীনবা কয়ারক হায়খ্রবসু তাশিন্নদনা লাক্লি।

এমসুনা ইন্সপেক্সন চৎলুবা মতমদা এস এস এগী মখাদা পীথরিবা মহৈরোয়শিংগী ফ্রী য়ুনিফোর্ম অসি হন্দক চহীগী ওইনা লাক্ত্রি। পীথরক্লিবা লাইরিকশিং অসিসু অৱাৎপনা পীক থল্লি। মিদ দে মিলগী প্রোগ্রাম অসিসু মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদগী হৌনা কিটচন মেন্টেনেন্স অমদি ওনরেরিয়ম লাক্তবনা চাং নাইনা মহৈরোয়শিংদা ফংহন্দ্রি। লোয়ননা য়াম্না হায়জিনিক ওইদবা মওংদা মহৈরোয়শিংগী ফিল্টর থন্বীদবনা সিন্তেক্সতগী ঈশিং কন্দুনা থক্লি।

স্কুল অসিগী অকোয়বদা ফেন্সিং অমত্তা খাদবনা মহৈরোয়শিংনা তুরেল খোংবালদা ফাওবা শান্নবগী য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌদোকশিং থেংনরি। স্কুল অসিগী সাইকল সেদ লৈতবনা ক্লাসরুমগী ভেরেন্দাদা সাইকল সেদ ওইশিন্দুনা লৈরি।

উচিৱা গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী অৱাৎ-অপা অমদি মওং মরিল তাদ্রিবশিং অসি মরী লৈনবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা চৎলিবা মে থা অসিগী মনুংদা য়েংশিনবীগদবনি। করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি উচিৱা গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা এমসুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শাদুনা লৈরে।

স্কুল অসিদা নত্তনা গভর্ণমেন্ট স্কুল অয়াম্বদা লৈঙাক্কী পোলিসীশিং মতম শাংনা ফেল ওইদুনা লাক্লি। এদ্যুকেসন সেক্তর অসিদা ফোংনা শগুল তৌবা কয়া লৈরি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না অমদি এমসুনা ইফোং ফোংনা খঙই। তশেংনমক লৈঙাক্লা এদ্যুকেসন সেক্তরবু চাউখৎহন্নবা থম্মোয় শেংনা হোৎনবীরবদি মতম খুদিংমক্তা এমসুনা তেংবাংবগী খুৎ থিংথোক্লি। অদুনৎত্রিবা ফাওবদি মখা তানা মহৈরোয়শিংগী মৎপীখ্রবা হক তান্নবা এমসুনা মতাং মতম অমা হেক্তদা অকনবা ফিরেপ লৌরক্কনি হায়নসু মখা তারি।

মহৈলোয়শঙ ৩ য়েংশিনবদা অৱাৎ-অপা কয়া থেংনরে, লৈঙাক্লা থবক লৌখৎপীয়ু : দেসাম

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চাইরেন জুনিয়র হায় স্কুল, ৱাঙু লাইফম অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাঙু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফীভম য়েংশিনবদা অৱাৎপনা থল্লম্লে। লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎতনা অফবা মহৈ-মশিন তম্বগী কাঙলোন লৈহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি বালেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা মীট দ মীদিয়া ফ্রেটর্নিটি অমসুং দেসামগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মাস রিফোর্মেসন কেম্প্যেন ওন এদ্যুকেসনল ইনষ্টিট্যুসনগী শরুক অমা ওইনা কেম্প্যেন অসি হৌদোকপনি। মখা তানসু চথুখিগনি। ঙসি দেসাম হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি জেনরেল সিতল ওইনামনা লুচিংবা মীওই তরেৎনা শাবা টিম অমনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুল অহুম য়েংশিনখি। চাইরেন জুনিয়র হায় স্কুল য়েংশিল্লুবা মতমদা স্কুল অসিদা পুং ১২ তারবা ফাওবা ওজাশিং থারক্তবনা থোঙ হাংলমখিদে। লৈঙাক্কী ওজা মঙা লৈ, টোইলেট, ক্লাসরুমনচিংবা মতিক চানা লৈরবসু নীংথিনা চলাইদবগী মমিং চাউনা তাই। মহৈরোয় ৫/৬ স্কুল অসিদা তম্বা উই। ঙরাং জেদ ঈ ওইনা য়েংশিনবা লাকপদগী স্কুল অসিগী ওজাশিং লাক্তুনা মীটিং তৌবা থেংনখি। স্কুল অসিগী চৌকিদারসু লৈতে, মপু পান্দবগুম লৈ।

ৱাঙু লাইফম অপ্পর প্রাইমারী স্কুল য়েংশিনবা চৎলুবা মতমদা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মহৈরোয় নুপা-নুপী পুন্না ১৭০ না তম্বা স্কুল অসি অৱাৎপনা পীক থল্লি। স্কুল অসি শুপ্নগী ওজা অহুম লৈ। হেদ মাষ্টর অমা অমদি য়ুটিলাইজ টিচর অনীনি। টোইলেট লৈতে, ক্লাসরুমগী বেঞ্চ অমসুং দেস্ক ফীভম চাদনা লৈ, মৈ ফংদে, ওজা ৱাৎলিবশিং অসি হাপ্পবা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রবসু লৈঙাক্লা হাপ্পক্তবদগী স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা ওজা ১০ অমদি চৌকিদার অমা নেক্তুনা মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীবগী থবক চথুরি। ওজা ১০ অমদি চৌকিদার অমগী অপূনবা থাগী তোলোপ লুপা লিশিং ৪২ নি। শেল অসি মৈরা পায়বী ইমাশিংনা হৌবা পুর্ণিমা মরুপতগী শেন্দোই অমদি লৈকায়গী মীওইশিংনা দোনেসন তৌরকপদগী ৱানা হোৎনদুনা পীবনি।

ৱাঙু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ফীভম য়েংশিল্লুবদা স্কুল অসিদা ক্লাস সিক্সতগী টুয়েল্ভ ফাওবদা নুপা-নুপী ৫৩৫ তম্মী। কুমজা ২০১৫ গী জুন ১৯ দা হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবনি। আর্টস অমদি সাইন্স ষ্ট্রিমগী সবজেক্ট ১১ হাংবগী মনুংদা সবজেক্ট ৩ খক্কী ওজা লৈ। সবজেক্ট ৮ গী ওজা লৈঙাক্লা থন্বীদ্রি। স্কুল অসিগী ওজাশিং, অহল-লমনশিং অমদি এ সী অসিগী এম এল এগী মতেংদগী ওজা তরেৎ নেক্তুনা ৱাৎলিবা ওজাশিং মেনখৎনবা হোৎনরি। জেদ ঈ ওনা স্কুল অসি য়েংশিনবা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাক্লম্লবসু ইকান কান্নবা ফংদ্রি। লৈঙাক্লা অথুবদা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎতুনা মহৈ-মশিন তম্বগী কাঙলোন লৈহন্নবা হোৎনবীয়ু। গোটু স্কুল মমিংতগী ওইহনগুমসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সী এস আরগী মখাদা লেম্না লায়েংবগী থবক চথুরি : মৈপাক

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি (সী এস আর) গী মখাদা ইম্ফাল হোস্পিটালদা লায়রবা অনাবা লেম্না লায়েংবগী থবক চথুরি হায়না হোস্পিটাল অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর এস মৈপাকনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

রিমস রোদতা লৈবা ইম্ফাল হোস্পিটালগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এস মৈপাকনা হায়খি, হোস্পিটাল অসিদা হৌখিবা চহী খরসিগী মনুংদা লায়রবা ইমুংগী অনাবা মীওই মরিরোম লেম্না লায়েংবা লৈখ্রে। মমাঙদা তরাও ফুরুপকী মীওই অমসু সী এস আরগী মখাদা লেম্না লায়েংখি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী নুপী অমসু হৌজিক সী এস আরগী মখাদা হোস্পিটাল অসিদা লেম্না লায়েংবগী থবক চথুরি। অনাবা অসিগী লায়েংবদা চঙবা শেলশিং হোস্পিটালনা পুথোক্লি।

শেল পুথোকপদা ৱারবা লায়রবা ইমুংগী অনাবা অসিদা হোস্পিটালগী মায়কৈদগী ঙমজবা খরা মতেং পাংবনি। কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিগী মখাদা হোস্পিটাল অসিগী মায়কৈদগী হৌখিবা চহী খরা অসিদা মীওই মরিরোম লেম্না লায়েংবীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ইম্ফাল হোস্পিটালগী কন্সল্টেন্ট ডা. সী ঐচ মংলেম অমদি ডা. এন জিতেনসু শরুক য়াখি। ডোক্তরশিং অসিনা ফোঙদোকখিবদা, লায়েংবগী থবক চথরকপদা চুড়াচান্দপুরদগী অনাবা অমা লায়রবনা মরম ওইরগা শেলগী খুদোংচাদবা ফীভম লৈবা অসিগী মতাংদা হোস্পিটাল অসিগী মেনেজিং দিরেক্টরদা পাউ পীখি। মেনেজিং দিরেক্টরগী মায়কৈদগীসু কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিগী মখাদা মতেং পাংলসি হায়বা ৱাফম থল্লকপদগী মতেং পাংবনি। লায়েংবদা চঙবা টেষ্ট অমদি হিদাক লাংথকনচিংবা কয়াসু লেম্না ফংহল্লে। মমাঙদসু মীওই মরিরোম সী এস আরগী মখাদা লেম্না লায়েংখ্রে হায়নসু মখা তাখি।

কংলৈ ইমা লূপকী মাপললকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): কংলৈ ইমা লূপকী ৯ লকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাহনবীনা হায়খি, ইস্যু কয়াদা লূপ অসিনা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লূপ অসিগী মপোক কুমওন লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরি। সী এস ওশিং অসি লৈবাক্কীদমক চোংথোরকপনি। নুপী খুন্নাইবু কন্নবা ঐখোয় থোরক্লিবনি। অফস্পা কিনরম্বদগী ঙসিদি মসিদগী নাথৈরগা ইমরদম অসিদা নুপী-অঙাংদা চথবা মীওৎ-মীনৈ কয়া থোরক্লে। ক্রাইম থোরক্লিবা অসি থিংনবা খরদা ওইরবসু থৌদাং লৌনবা লূপ অসি থোরকপনি। মীয়ামগী ইহুল লৈঙাকপশিংনা খঙবীদবদৌনা তৌই। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মসি য়াদে হায়বা কয়া থমহন্নিংই। অরানবা তৌবশিং অকনবা চৈরাক পীহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা য়ু সী এমগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা হায়খি, লূপ ময়াম পুল্লগা থবক তৌমিন্নে। খরা হেন্না পুল্লগা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুশিং থেংনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ইস্যু অমা লাকপদা ঐখোয়না ইস্যু অদুগী খল্লিঙৈ মরক্তা মোব জষ্টিস থোরকপা অসি করিদগীনো হায়বসি পেন্দবদগীনি। অরুবা ইস্যু লাকপা মরকসিদা লূপশিংনা মরক মরক্তা নুপী-অঙাংগী পর্সনেল ওইবা কেস খরদা য়াওবা অসি লূপনা তৌরগদি মায় পাক্কনি হায়না মীয়াম্না থাজবসু লৈরম্বা য়াই।

সী এ বিগী মতাংদা মেনপেকনচিংবা শেমদুনা চপ চানা থেংনবা লৈখ্রে। অদুবু লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়া অমসু লৈরি। ইমা লূপ ময়াম পুনশিন্দুনা ঐখোয়না পাল্লিবা অদু ফংনবা মাঙজৌননা লৈঙাক্তা হায়বা চঙই। মণিপুরদা থোকপা ইস্যুশিং ঐখোয়না পুন্না থেংনরবদি সোল্ব তৌবা ঙমগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। লূপশিংগী লুচিংবশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা লেংয়ান ফি খুদোল তমখি। থৌরম অদুদা নেসনল এন্দ ইন্টরনেসনল এৱার্দী ইবোতোম্বী খুমনসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

কংলৈ ইমা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি মেমচা লৈমনা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, ঙসি অসি কংলৈ ইমা লূপ শাফোঙলকখিবগী ৯ লকশুবা মপোক কুমওন নুমীৎনি। ঙসিগী নুমীৎ অসি কংলৈ ইমা লূপ অমদি মীয়ামগী খ্বাইদগী নুংঙাইরবা নুমীৎ অমনি। কংলৈ ইমা লূপ, মীয়াম্না নুংশিনা তেন্না কিল হায়রগা হেন্না থোইনা শকখঙবীবা লূপ অসি কুমজা ২০১১ গী মে ১৫ দা ইরমদম অসিগী মরৈবাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা মীওই খরখক্লা শেমখিবনি।

কংলৈ ইমা লূপনা তেল্লবা মতম খরা অসিগী মনুংদা ফংজরকখিবা ৱাখল লৌশিং অসিনা মীয়ামগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবদা হেন্না খুন্মাং চাউশিনহন্নবা অমসুং অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা ঙল্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি। কংলৈ ইমা লূপকী মরুওইবা পান্দমদি সিভিল সোসাইটি অমগী লৌফম থোকপা রোলশিং অদু মায় পাক্লা লৌবা অমদি হিকথরবা খুন্নাই অসিবু চাউখৎপগী মায়কৈদা খুন্মাং চাওশিনহনবনি। অচুম্বা, মান্নবা মীৎয়েং, মীচঙ-মীখায় নাইদবা, তুহৎপীদবা, মীবু মীনা ওৎ-নৈদবা অমদি মীয়াম মরুওইনা নুপীবু খুন্নাইগী অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনবা হোৎনবদা অচেৎপা থাজবা থল্লি। মরম অসিনা কংলৈ ইমা লূপ শাফোঙজরকপদগী অহুমশুবা মপোক কুমওনগী মাঙওইননা কুমজা ২০১৩ গী মে ১২ দা পুখাও লাইফম অমদি খাবমদা মরু-মরাং অমসুং পম্প য়েন্থোকপা হৌজখি।

অদুগা মরিশুবা কুমওনগী মাঙওইননা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা সিন্তেক্স, হৱাই, চেঙ, থাউ, থুম, শঙ্গোম, চিনি অসিনচিংবা মতেং পীজখিবগা লোয়ননা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা ডা. বিবেকানন্দগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখি। মঙারকশুবা কুমওনদা ইমা কৈথেল অহুমদা অমদি হোম খরদসু ঙমজবা অচা-অথকশিং খুদোল তমখি। অদুদগী তরুকলকশুবদা য়াইবিলেন কৈবী সনাপাৎতসু নিংথম খুদোল তমখি। কুমজা ২০১৮ গী মার্চ ৮ গী ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগা মরী লৈননা শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায় য়াৱা ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা এ সী এম আই ক্লিনিককী ডা. জেমস অমদি মহাক্কা লোয়ননা ডোক্তর অমদি ষ্টাফশিংগা লোয়ননা গাইনিগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোকখি। অদুগী মতুং তারকপদা তরেৎলকশুবদা কুমজা ২০১৮ গী মে ১৩ দসু য়াইবিলেন কৈবী সনাপাৎকী চিলদ্রেন হোমদা চান-থক্লবা অঙম্বা পোৎচৈ, চেঙ, আলু, চিনি, চা মনা, শঙ্গোম, তিলহৌ, হৱাই, থাউনচিংবা পাংখি। সেকমাইগী মমা-মপা অনীমক লৈখিদ্রবা মরাইবক থিহৌরবা নুপীমচা অনী অদুদসু কংলৈ ইমা লূপ (কিল) না অঙম্বা শেলগী তেংবাং খরসু পাংখি।

হন্দক্কীসু কংলৈ ইমা লূপকী মপোক কুমওনগী মাঙওইননা থা অসিগী ১৩ দসু মোংশাঙ্গৈগী ওল্ড এজ হোমদা ফিরোল অমদি অচা-অথক কয়াসু খুদোল তমখি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউরবা ৱাথোকশিংগী মনুংদা লম্বীদা অওৎ-অনৈ, মীহাৎ-মীপুনগী অহেনবা মপাঙ্গল পীরিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট মুখৎখিনবা খোঙজংদসু শরুক য়াদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমিট শাহ য়াওনা চৎখিবা রোদ সো থুগায়রকপা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ য়াওনা বেঙ্গোলদা চৎখিবা রোদ সোদা নুঙনচিংবা থাজিল্লক্তুনা থুগায়নবা হোৎনরকখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি নিম্বসনা হায়খি, বেঙ্গোলদা পাঙথোকখিবা রোদ সোদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ য়াওনা শক্লাইরবা মীওই কয়া অমসু য়াওখিবনি। মীওই লাখ ২ হেনবনা চৎখিবা অচৌবা রেল্লি অদুদা নুঙনচিংবা থাজিল্লক্তুনা রোদ সো অদু থুগায়রকখি। থৌওং অদু য়াম্না লাইবক থীবনি। তৃণমুল কোংগ্রেসনা থুগায়রকপা ওইগনি হায়বসি চাউনা থাজবনি। ষ্টেট অদুদা তৃণমুল কোংগ্রেসনা মতম শাংনা গুন্দাদগী থবক চথুদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা কা হেনবা থৌওং অসি য়ানিংদে।

বি জে পিগী অচৌবা রোদ সো অদু চৎলিঙৈদা নুঙনচিংবা থাজিন্দুনা থুগায়রকখিবা থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম অসি চথুবনি। ঙসি ষ্টেট ষ্টেটশিংদা বি জে পিগী থৌমীশিংনা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথুনরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, লোক সভা মীখলগী অরোইবা তাঙ্কক্কী পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগী মাঙওইননা অমিট শাহ অমদি বি জে পিগী লুচিংবা কয়া য়াওনা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না পার্টি অসিগী কেন্দিদেটশিং মায় পাকহন্ননবা রোদ সো চৎপদা শকখঙদবশিংনা নুঙ য়াওনা পোৎলম কয়া থাজিল্লক্তুনা অকায়বা পীরকখিবনি। থৌদোক অসিবু বি জে পিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবনি।

হেমাম অচৌদা শেলগী মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী মমিং চৎলবা পেনা শৈশকপা হেমাম অচৌদা ইবুধৌ মৈজ্রাওলাকপা পাখংবা থৌগল লূপনা লুপা ৫০,০০০ গী মনা পীখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংথেম লৈবুজম লৈকায়দগী হেমাম অচৌনা কুমজা ১৯৯১ দগী চৎলিবা চহী অসি ফাওবদা ইরোম মৈজ্রাওলাকপা পাখংবা ইবুধৌগী পেনা থৌগল তৌদুনা লাকখিবনি। মশাগী চহী ৭৯ শুরবা পেনা শৈশকপা হেমাম অচৌবনা পেনাগী লমদা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শিংথাবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫০ গী মনা অদু পীখিবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

হট্টাগী দ্রেনশিং অথুবদা শেম্বীয়ু : এম এম দল্লিয়ু ও

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): হট্টাগী লম্বীশিংগী নাকলদা লৈরিবা দ্রেনশিং অসি ফুনজিনবনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরে। আই এম সী, মহুদ অমসুং লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অথুবদা শেমজিনবীয়ু হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দল্লিয়ু ও) গী জেনরেল সেক্রেটরি অমিনুদ্দিননা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

হট্টাদা লৈবা এম এম দল্লিয়ু ওগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা অমিনুদ্দিননা হায়খি, হট্টাগী দ্রেনশিং ফুনবদগী নোং খজিক্তং চুবদা লম্বীদা দ্রেন ওইরে। কৈথেল ফন্লিবা ইমাশিং ঈশিং মরক্তা পোৎ য়োল্লে। দ্রেন চেল্লিবা মফমশিং অসি ফুনজিল্লকপদগী লম্বীদা ঈশিং থুমগৎলকপনা খুদোংচাদ্রে। অথুবা মতমদা দ্রেন শেম্বীয়ু।

চরা হেনবা মতম অসিদা ফৎতবা ঈশিং মথক্তা ফল্লগা পোৎ য়োল্লিবা অসি হকচাং শোক্লিংঙাই ওই। ক্লিন ইম্ফাল হায়না লৈঙাক্লা হায় অদুবু খোঙজং অসিদি তপ্পী। মফম অসিদা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিং পোৎ য়োল্লি। গাড়ী পার্কিংসু নীংথিনা লৈতবনা লম্বী ময়াইদা পার্ক তৌরে। মফম অসিদা মার্কেট সেদ অমা শাবীনবা কয়ারক হন্না হায়জরবসু তাবীদনা লৈরি। মাইনোরিটিশিংগীদমক মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এম এম দল্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট অব্দুলা পথাননা ফোঙদোকখিবদা, ট্রাফিক্কী কাঙলোন ঙাক্লা গাড়ী খাম্বীয়ু। মফম অসিদা ট্রাফিক কন্ট্রোল নীংথিনা তৌদ্রে। হট্টাদা মার্কেট কমপ্লেক্স অমা শাবগী তঙাইফদবা লৈরে। হিরম অসিগী মতাংদা থৌদাং লৌমিন্নসি। হট্টাগী লম্বীদা চৎনবা-কাঙলোন কায়না গাড়ী কয়া খামজিনবা অসিনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। দ্রেনশিংগী ফীভম ফৎতবনা ঈশিং পাখৎলকপগী অৱাবা কয়াসু থেংনরি। মফম অসিদা পোৎচৈ য়োঞ্জরিবা মীওইশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া থেংনরে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

জোব কার্দকী শেলনা জে সী বি ৱাইবনি হায়বদু শোয়খিবনি : কান্তমনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): বোরোইখাল লম্বী অসি জোব কার্দকী ফংগদবা শেলনা জে সী বি ৱাইরগা শেম্মী হায়খিবদু শোয়খিবনি হায়না বোরোইখালগী খুঞ্জা এন জি কান্তমনিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোরক্লি।

জিরি ন্যুজ নেটৱার্ককী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা কান্তমনিনা থা অসিগী ১৪ দা জোব কার্দকী ফংগদবা শেলনা জে সী বি ৱাইরগা লম্বী শেম্মী হায়খিবদু লাইরিক-লাইশু কয়া খঙদবদগী চীনদা থোকখিবা ৱাহৈনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বোরোইখালগী গ্রাম পঞ্চায়ট মেম্বর এন জি গোপেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, জোব কার্দকী শেলনা জে সী বি ৱাইবনি হায়খিবা ৱাফম অদু খুঞ্জাশিংনা খঙদবদগী হায়খিবনি। জোব কার্দকী ওইনদি চহী অসিগী মার্চ ১৬ তগী মার্চ ২৯ ফাওবগী থবক শুদুনা লোইশিনখ্রে। বোরোইখাল অসিদি চীংগী লম ওইবনা মরম ওইরগা জোব কার্দনা য়ৌবা ঙমদবা কয়া লৈ। খুঞ্জা ময়ামগা তান্নরগা প্রধান, মেম্বরশিংদগীসু শেল খায়নরগা লম্বী শেম্বনি। শেল খায়নখিবা অদু হৌজিক লোইশিল্লক্লে। লম্বী অসি ঐখোয়গী শেল অদু খক্তনা শেম্বা ঙম্বা নত্তে। মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা লম্বী অসি শেম্বীয়ু হায়সনু ফোঙদোখি হায়রি।

‘মীতৈ ময়েক খঙদবদগী তম্বীদনা লৈরি হায়বসি লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): বোরোবেক্রা হায়র সেকেন্দরি স্কুল, জিরিবামগী ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবা তম্লিবা মহৈরোয়শিং মীতৈ ময়েক তম্নিংলবসু স্কুল অসিদা ক্লাসশিং অসি তম্বীনবা লৈরিবা ওজা অনী মীতৈ ময়েক খঙদবনা তম্বীদনা লৈরি হায়না পাউচে অমদা হাপ্লকখিবা অদু লাইবক থীবনি হায়না স্কুল অদুগী মণিপুরীগী লেকচরর অনীনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীতৈ ময়েক খঙদনা অমদি তম্বীদনা লৈবা ওইরবদি হৌখিবা চহীশিংদা স্কুল অসিদগী মীতৈ ময়েক লৌদুনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভ এগজামশিংদা পাস তৌখিবা মহৈরোয়শিং কনানা তম্বীখিবনো। বোরোবেক্রা হায় স্কুলদগী বোরোবেক্রা হায়র সেকেন্দরি ওল্লকপা মতমদসু স্কুল অসিদা অদুম্মক সার্ভিস তৌদুনা লাকখিবনি। প্রিন্সিপালগা পাউ ফাওনবদসু অসিগুম্বা ৱাফম অসি পাউচে অদুগী মীওইশিংদা হায়খিবা লৈতে হায়না থল্লকখি। মীগী সার্ভিস করিয়র শোক্কদবা ৱাফম তরাই তরাইনা করম্না ফোঙলিবনো হায়বা ৱাফম লাক্লি। মসিগী মতাংদা শেংদোকপীয়ু হায়নসু স্কুল অদুগী ওজা অনীনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীবা চৈথেংগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নাচৌদা লৈবা ষ্টেন্দফোর্দ ফোতোন স্কুলদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা হিরমদা একাদেমীক এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে।

একাদেমীক এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা মোইরাংথেম দ্বিজমনি, প্রিন্সিপাল, ষ্টেন্দফোর্দ ফোতোন স্কুল, হিজম প্রিয়োকুমার, প্রসিদেন্ট, কাদা, হুইনিংশুংবম ওংবী বসন্তি, ভাইস প্রসিদেন্ট, কাদানা শরুক য়াখি। রিছোর্স পার্সন ওইনা গীতচন্দ্র মঙাঙ, সেক্রেটরি জেনরেল কাদাসু শরুক য়াখি।

রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা গীতচন্দ্র মঙাঙনা হায়খি, মতম অমদা ময়োল লমদা লৈবা মীশিংদি দ্রগ চাই হায়নরম্বা অদু ঙসিদি ময়োল লমখক নত্তনা খুঙ্গংগী মফমশিংদা লৈবা নহারোল কয়াসু চপ মান্নবা পাক শন্না ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া শীজিন্নরি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাদবা মীবুনা চাউখৎতবা, মতমগী চৎনবী খঙদবা ওইনা লৌনরক্লে হায়খি। মরুওইনা ঙসি মহৈ তম্লিবা খুন্নাই অসিগী মমল য়াম্লবা নহারোলশিং অসিনা মখোয় মখোয়গা লোইনা তীন্নরুবা মমান্নবশিংগী ইথিলদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরমদবা, লাইরিক-লাইশু ফনা হৌরকপা মহৈরোয় কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী খয়াৎতা তাখিদুনা অমদি দ্রগতা লাইচুদুনা পুন্সিগী ফংগে খনবা পান্দম কয়া ফংবা ঙমদনা লম্মাখাংদা মাঙদুনা শিবা ঙাইনা পুন্সি লেনবা নহারোলগী মশিং নোংম-নোংমগী লমদম অসিদা হেনগৎলক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা নিংথৌজম দোরেন, ভাইস প্রসিদেন্ট কাদানা ফোঙদোকখিবদা, ইমা-ইপানা ঐখোয় ঐখোয়দা থল্লিবা থাজবা কয়া মাঙহন্দনবা অমদি পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইবা ঙম্নবা ঐখোয় ঐখোয়গী পুন্সিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল অমত্তদা চাংয়েং তৌগে হায়বা ৱাখল অসি খল্লোইদবনি। মরমদি মীওই অমনা দ্রগ চাবা, দ্রগতা এদিক্ট ওইরকপা খুদিংমক অসি চাংয়েং তৌরুবদগী ওইরকই। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সননা স্লাইদ কাপ্তুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা ঐখোয়গী হকচাংগী ওর্গানশিংদা পীবা অমাঙবা কয়াগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি। থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা কাদানা থা অহুম খুদিংগী ওইনা পুথোকপা জর্নেল হেল্‌থ ফোর ফ্যুচরগী কোপি খরা স্কুল ওথোরিটিদা খুৎশিন্নখি।

মণিপুরদগী উত্তমকুমারনা হাংদোকপা এলভিগো সর্কিটসপু ইন্দিয়াগী টোপ টেন কম্পেনিগী মনুংদা খল্লক্লে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরদগী উত্তমকুমার নিংথৌজমনা হাংদোকপা এলভিগো সর্কিটস প্রাইভেট লিমিটেদপু সিলিকোন ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৯ গী ওইনা ইন্দিয়াগী টোপ টেন প্রোমিজিং সেমিকন্দক্টর কম্পেনিশিংগী মনুংদা খল্লক্লে হায়রি।

এলভিগো সর্কিটসকী মেনেজিং দিরেক্টর উত্তমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এলভিগো সর্কিটস কম্পেনি অসি আই সী দিজাইন নৎত্রগা দি এল এস আই দিজাইন তৌবগী ইন্টিগ্রেটেদ সর্কিটস দিজাইন কম্পেনিনি। দি এল এস আই দিজাইন অসি ইলেক্ট্রোনিক্স সিষ্টেম দিজাইনদা য়াম্না পান্নবা অমদি য়াম্না লুবা দোমেননি। এলভিগোগী এক্সপর্টিজ ওইরিবা এনালোগ অমদি আর এল সর্কিটস দিজাইন ইন্দিয়াগী কম্পেনিশিংনা য়াম্না তাঙনা লৈনরি।

এলভিগো কম্পেনিগী মেনেজিং দিরেক্টর উত্তমকুমার কৈবুল লমজাওদগী হৌজিক্লা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইম্ফাল কোলেজগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইরম্বা নিংথৌজম ইবোচৌবা অমদি সরতলাতা অনীগী মচানুপানি। এলভিগো কম্পেনি অসি উত্তমকুমারনা কুমজা ২০১০ দা বেঙ্গলোরদা হেদ ক্বার্টর ওইরগা লিংখৎখি। এলভিগো জপানদা মতম কুইনা থবক তৌরম্মী। এলভিগোগী টিম অমনা হৌজিক বেঙ্গলোরগী হেদ ক্বার্টরদা থবক শুরি। টিম অহুম্না জপানগী টোকিও, সাপোরো সিটি অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা প্রোজেক্ট তৌদুনা লৈরি। জপানিজ ইলেক্ট্রোনিক্স কম্পেনি অমদি লৈবাক অদুগী লিরবা দিজাইন কম্পেনি কয়াসু এলভিগোগী কষ্টমরশিংগী মনুংদা য়াওরি। এলভিগো কম্পেনি অসি ইন্দিয়াগী ইলেক্ট্রোনিক্সকী অচৌবা এসোসিএসন অমা ওইরিবা ইন্দিয়া ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ সেমিকন্দক্টর এসোসিএসনগী মেম্বরসু ওইরি। কম্পেনি অসিগী থবকশিংবু শকখঙবা ওইনা সিলিকোন ইন্দিয়ানা প্রোমিজিং কম্পেনি ১০ গী মনুংদা খল্লকপনি হায়রি।